ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯱꯱, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯰ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ুমশকৈশা, এপ্রিল ১১, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ২০ শুবা মশীং

# দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাফম হোংবা

## *লৈঙাক্কী পোলিটিকেল দিজিসন ওইফম থোকই*

হোস্পিটাল হায়বসি মীওইবা খুন্নাইগী তঙাইফদনা চঙদ্রবা য়াদ্রবা মচাক অমনি। লমন তোন্দুনা লৈরবা অশিববু শীংনবা ঙমদ্রবসু মতম চানা লায়েংলবদি হিংগদবা অনাবা কয়া কনবগী থৌদাং লৌরিবা হোস্পিটালশিং মফম চাবদা থম্বা হায়বসি অচুম্বা থৌশিল অমনি। লৈবাক অসিদা নৎত্রগা মণিপুরদা হোস্পিটাল অমদি মহৈশঙ শাবদা লৈঙাক্না লৌরকপা ৰারেপ্তা মীয়ামগী পেন্দবগী ৰাকৎ লাকপসি অদুমক হৌনশানি। মরমদি, অসিগুম্বা মখলগী খুন্নাইগা থানবা য়াদ্রবা মচাকশিং অসি মাগী-মাগী মফমশিংদা শাহন্ননবা হোৎনবা হায়বসি মীওইবগী হৌনশানি। তৌবদদি কায়হৌরগা মীয়াম শাওহনবা অমসুং ঈরাং হৌহনবা হায়বদুমদি লৈঙাক অদুগী ফজদবা মতৌ উখোকপনি হায়বা য়াই। য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সগোলমাংদা প্রাইমরি হেল্থ সব-সেন্টর অমা লৈরম্মী। হায়রিবা প্রাইমারি হেল্থ সব-সেন্টর অদু চহী খরগী তুংদা অমুক কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর ওনখৎতুনা খরা হেন্না খূদোংচাবা মীয়ামদা ফংহন্দুনা লাক্লি। মফম অসি খ্বাইদগী শোত্থরবা মফমশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌবা য়াই। লোইজিং লোয়াসু ওইবা চীংগসু তায়নবা মফম ওইবনা চীংমী-তম্মীশিংগী চৎথোক-চৎশিন তৌনবা অমদি অমনা ৰারকপদা অমনা মতেং পাংনবা পূন্সিরোল অমদা খুন্দা লৈতামিন্নদুনা লৈরকখিবনি। হোস্পিটাল অসিনা পীরিবা কান্নবা অসি খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুংদা লৈবা মীওই খক্তা নত্তে। হেক থংনবদা লৈরিবা সাইকুল সব-দিভিজন অমসুং কারোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ভিলেজ কয়ামরুমসু হোস্পিটাল অসিনা অনা-লায়েংগী লম্‌দা মপাল নাইদ্রবা কান্নবা পীরিবনি। মীয়ামগী খূদোংচাদবা অমসুং খূদক্কী ওইবা অনা-অয়েক য়াওরকপদা লায়েংবগী খূদোংচাবা পীননবগীদমক মমাংগী লৈঙাক্না কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর অসি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী থাক্তা ওনখৎননবা ৰারেপ লৌখি। কুমজা ২০১১ দগী কেবিনেটকী দিসিজন অমগা লোয়ননা থবক তৌরকপদা মঙম শানদবা মতেক কয়া য়াওজখ্রগসু মপূং ফাবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অমা ওনখৎননবা হোৎনবগী থবকশিংদি লেপ্পা লৈখিদে। থবক অমা মঙম শানহলবা হায়বসি লমগী চয়েৎনবা য়াওদবা অমসুং থবকশিং অদু পায়খৎপদা চঙগদবা শেনফম মতিক চানা লৈঙাক্কী শেঙ্গাওদা লৈবদুনি। মতমদুদা শেল-থুমগী খূদোংচাদবা লৈবা মরম্না দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শানবগী উরেপ-উয়ুং তম্বা নৎতনা হোস্পিটাল শাননবগী মচাক-মথুমশিং মপূং ফানা শেমগৎপদি ঙমখিদে।

কুমজা ২০১৭ তসু চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক্না সগোলমাংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাননবা য়েৎনবা য়াওদবা ৰারেপ অমা লৌখি। ৰারেপ অদুদা হৌজিক লৈরিবা সগোলমাং কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর অসি বাশিখোংদা হোংবা অদুগা মফম অদুদনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাবা হায়না ময়েক শেংবা ৰাফম য়াওরি। অদুবু, খঙহৌদনা ওল্লকপা থৌশিল অমদা শোৎ-পেক লাউদনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সগোলমাংদা শাগনি হায়না উরেপ-উয়ুং তল্লল্লবা হোস্পিটাল অদু অমুক কৈরাও এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মফমদা লৈবা ক্যামগৈ ময়াই লৈকায়দা শাহন্নবা উরেপ-উয়ুং তমখ্রে। লৈঙাক্কী অনৌবা খোঙথাং অসি অচুম্বা ওইহন্নবগীদমক হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর লাংপোকলাকপম জয়ন্তকুমারনা সগোলমাংদগী ক্যামগৈদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল হোংলকখিবা অদু লমগী চয়েৎনবননি হায়না লাউথোকখি। শঙ্গাখ্রবা মতুংদা মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা পাউমীশিংগা উনবদা লম লৌশিনগদবা অপূনবা একর ১০গী মপূ ৬ কী মনুংদা অনীদি মেমোরেন্দম ওফ এগ্রীমেন্টতা খূৎয়েক পীয়ু হায়বা য়াদ্রে হায়না ফোঙদোকখি। মিনিষ্টরনা পাউমীশিংদা য়েন্থোরকখিবা মেমোরেন্দম ওফ এগ্রীমেন্ট অদু করম্বা হীরমদা শীজিন্নগদৌরিবা লমনো হায়বসু পন্দে, লৈঙাক্কী মায়কৈদগী খূৎয়েকসু য়াওদে। চুম্নতগী লম মপূশিং অদুগী খূৎয়েক লৌবা খক্তং ওইনা তৌই। মরম অদুনা লোগী থোঙদা নৎত্রগা খুন্নাইগী চৎন-লোনচৎতা মেমোরেন্দম ওফ এগ্রীমেন্ট অদুদি লৌবা য়াবা চেরোল ওইদে। মসিগীসু মথক্তা খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বরনা ফোঙদোরকখিবা মতুংইন্না মহাক্কী লোয়নবী থোকচোম নিভেদিতাগী মিংদা লৈবা লম অদুদি কুমজা ২০১৩ দা কম্পেন্সেসন পীদুনা লৈঙাক্না লৌশিনখ্রবনি অমসুং মদুগী পাট্টা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মিংদা ওনখ্রবনি। মহাক্কী অপোকপী আর কে লখিসনাগী মিংদা লৈবা লম অদুসু হান্ননা লৈঙাক্তা কৎখ্রবনি। লৈঙাক্তা কৎখিবগী মতুংইন্না মরী লৈনবা দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা চেরোল থোক্তুনা লৈখ্রবনি। অসিগুম্বা কয়া অসিনা সগোলমাংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাবদা লমগী চয়েৎনবা লৈ হায়বা লৈঙাক্কী ৰাফম অসি মহাক্না য়াখিদে। মতাং অসিদা পঙ্গনিংবা ৰাফমদি, মীয়ামগী ৰাকৎ হায়বসি শেম্বীবা মপূগী ৰাকৎনি হায়না লৌরবা মতমদতা দেমোক্রেসিগী চপ চাবা মহাও ফংবা ঙমগদৌরিবনি। সগোলমাংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাবগী মফম অদু হোংদ্রিঙৈদা লৈঙাক্না মাংজৌননা মীয়ামদা লমগী চয়েৎনবা লৈবনা হোস্পিটাল শাবগী মফম হোংলগনি হায়বা ৰাফম অমা লাউথোকখিবা লৈখিব্রা ? লমগী চয়েৎনবা লৈ হায়রিবদু কোকহন্ননবা লৈঙাক্না করি হোৎনখিবগে? লম মপূশিংনা শাবা য়ারোই হায়না য়েৎলকপা লৈখিব্রা? অসিগুম্বা ৰাহংশিং অসিগী পাউখুম মপূং ফানা ফংবা ঙমদবনা হোস্পিটাল হোংবগী ৰাফম অসি বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্কী পোলিটিকেল দিসিজন ওইফম থোকই হায়দবা ঙল্লোই।

## *••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••*

### রিজার্ভ কেনেল ফাত্তোকপীয়ু

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী** হিয়াংলম অৱাং লৈকায়গী লুক্রাম লৈরক কুমথখিবদা লৌ লৌরাক অমা রিজার্ভ কেনেলনা থিংজিনখিবদগী লৌ কয়া চহী খুদিংগী নোংগী ঈশিংনা লৌ উবা য়াদ্রে। চীংজিন মতমদা লম্বী চৎপদা ফি তাখৎলগা চৎনরে। ওনরেবল মিনিষ্টর আই এফ সী দিনা কুমজা ২০১৭তা উকু হাপ্পীগনি হায়বীরম্বদু ঙসি ফাওবা হাপ্পীদ্রি। হাপ্পীরোইদবা ওইরগদি মখুল মচা অমত্তং ফাত্তোকপীয়ু। হায়রিবা মফম অসি দি সী ককচীংনসু দিমার্কেসন তৌবিখ্রবনি। হীরমসিদা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীনবা অমদি রিজার্ভ লেন্দ ওইনা থম্বীনবা হায়জরি।

*অদোমগী- এলাংবম মংলেম অমসুং লোকল ফার্মরশিং*
*হিয়াংলম অৱাং লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৯

১। ঐখোয় মৈতৈগীদি পূং হায়বসি থানবা য়াদ্রবা পোৎশক্নি।
(ক) করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তা ইহান হান্না পূং তিংখিবগে?
(খ) করম্বা শাগী মঙন্না তিংবদা পূংখোল থোক্লকখিবগে?
২। "থাপ্না উরিবা চীং অসি ওন্থোক্না ফজৈদা/নৌনা পূক্নিং হূনা নিংথিদা/ঈংনা নিক নিক লাউইদা।" পরেংশিং অসি ডা. কমলগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।
৩। বাংলা অইবা শরতচন্দ্রগী ৱারীমচা 'মহেশ'কী মমি তাবা ৱারীমচা অমা কুঞ্জমোহন্না ইরকখি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। কুমজা ১৯৭৭তা 'নোম নোম শগাই তোং চানবা লৈতে তখেল থাঙ' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমা থোক্লকখি। অইবী অদুগী মমিং হায়য়ু।
৫। "শাৎলমদরে কোম্বীরৈ/লম্ফেল পাৎতা ঙসিদি।" ঈশৈ পরেং অনীসি 'ঈশৈ চনিগী পরেং' কৌবা ঈশৈ শৈরেং লাইরিক্তুদগীনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ৱা ঙাঙবা য়াম্না লুই

**চাইথোরকপা ৱাখল**
**নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

*"মীনা শিবনা চিন্দা, শানা শিবনা খোঙ্গুলদা"* হায়বা পাউরৌ অমা লৈরম্লিবসি য়াম্না চুমখ্রবা ৱানি। ৱা ঙাঙবসিমুক লুবা অনী শুদে। অঙ্ক হোৎপদা ফল লাল্লবসু অমুক চুমথোকপা য়াই। ইবদা বনান লাল্লবসু ককথৎলগা ইরায় লায়না চুমথোকপা য়াই। ঙাঙবদা লানবসিমদি চুমথোকপা ৱাই। ৱা অমা ঙাঙবদা শাথিনা শোয়খিবসিদি য়াম্না লুই। শিৎতোকখিবা তিন অমুক হঞ্জিনবা য়াদবগুম্বনি। শেংদোকপবুদি য়াই হায়ববু মদু কয়া ফজদে। লাল্লে হায়জবসিমুক লেমজদবসিসু লৈত্রে। মীঙোন্দা লাল্লে হায়জবসি য়াম্না ইকায়নীংঙাই ওই। কনাগুম্বা মরীল লৈবা মশিংখা ফত্তবা মীদি মপুন্সিগী লাল্লে হায়না মীঙোন্দা হায়জৌ হায়বা য়াদবা লৈ। লাল্লে হায়বা ৱাহৈসি মতিং লৈবা মীশিংনদি পাক হায়দোক্তে, মসিদি ঐখোয়গী ঈদা-লূদা তোংদা য়াওখ্রবা ঙাক্তনি।

ৱাহৈ শোয়বদগী খৎন-চৈনবা, ৱাথোক-লান্থোক থোকপা য়াম্না য়াওনৈ। ৱাহৈ অমা শোয়বদগী চৈ চাবা, চৈরাক ফংবা কয়া য়াওদবা নত্তে। অদুবু থায়না অহল-লমনশিংনা ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা চেকশিন্না হায়রকপা ৱাসি - *ৱা ঙাঙবদা চেকশিল্লু, খঙদনা পংঙাঙ ঙাঙগনুকো* হায়বা অসিনি। মীনা ৱারী শান্নরিঙৈদা য়ানশিন্দুনা য়াওশিল্লুবা হায়বা অসিসু অফবা নত্তে। অদুনা য়ারিবমখৈ ঐগা মরী লৈনদবা ৱাদি হায়রোইদবনি।

অমনা, খন্ন-নৈনবা (সেমিনারগুম্বা নৎত্রগা মিটিংগুম্বা) অমবু তৌরবা, অতৈ লমগীদি খঙদ্রেকো, ঐখোয় শ্বাইগীদি খঙগেরা-খঙঙোইরা, মীনা ঙাঙলদি অমা য়েত্তবা য়াদে, ৱা অমা হায়হৌদবা য়াদে হায়বগী টাইপ্তা পংঙাঙদা ঙাঙবসু লৈ। মদু মশানা খঙজদবগী ৱানি, অতাবা মীনদি য়াম থিনা ঙাঙনৈ। মথোঙ মরম খঙদনা পংয়েৎতা য়েৎপা, পংঙাঙদা ঙাঙবা অসিনদি অফবা মায়কৈগী ফলদি অমত্তা পুরকপা ঙল্লোই য়েৎনরগা অদুম লোইশিনবা তাবনি। ইশম শম্না ৱা ঙাঙবা হায়বসি য়াম্না লুই। হেন্না লুরিবনা মীচম অমনা ঙাঙবগা থৌদাং চাউবা, সেলেব্রিটি নৎত্রগা মশক নাইবা মী অমনা ঙাঙবগসু য়াম্না খেন্নৈ। ইচম চম্না হায়রসু মীচম অমনা হায়রদি থোইদোক্না লুনা লৌনদে। অদুগা অচৌবা মী অমনা হায়বদদি য়াম্না লুনা লৌনৈ। মমাঙঙৈদসু নিংথৌনা ইঙ্গিৎ ওইনা নৎত্রগা ৱাহৈ ওইনা ৱা অমা হায়খ্রদি মদু হেক্তা লো ওল্লে, থবক ওইনা পাঙথোক্তবা য়াদ্রে। মসি অঙাং ওলহল্লু হায়খিবদা মীদু শুংহিং হিংনীংঙাই লৈত্রে। অদুম শঙলিংবগী খূৎতা তারে। লুখ্রবা ৱানি অচৌবনা হায়বা ৱা অসি।


হৌরক্লোন, চৎনরোল, লাইনীং-লাইশোন অমদি আইদেন্টিটিগা মরী লৈনবা পুৱারীগী মতাংদা ৱা হায়বসিনা অমুক্কা হেন্না লুই। ফাগীনি গাইনা পংহায় হায়বা য়াবা জাৎ নত্তে। মসিনা ওন্ন-তৈনবা মায়কৈ অমদা চৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈ। পুৱারী হায়বসি হিংলিবা মীওই কাঙলূপ অদুগী হৌরক্লোন অমদি মসিগী চৎনবী, থাজনবী, থৌগল্লোন, য়ূম্বাল্লোন, য়ূমশা, লাইনীং লাইশোন, পুন্সি মহিং, ৱাখল্লোন লোইননা নাৎ শক্তমগী মরু ওইবা অমনি। মসিদা নত্তনা পুৱারীগী তাঙ্কক্তা কয়াদা মতম মতমগী ওইনা থোকপা থৌদোক-ৱাথোকশিংগী মরীক চুম্বা ৱারী লিখুন কয়া, মশাগী মরমদম্বু ঙাকচরকপগী, মথৌনা-মরিংজেল লৈবগী, কথোকপগী, মীওক-মীচান অমদি মীতেক-মীরৌ খঙবগী লৈবাক্কী ওইবা পোলিটিকেল, ইকনমি, দিভলপমেন্টনচিংবা লোইনা য়াওরিবনি। পুৱারী হায়বসি ঙসিগী মতম অসিগী মীওইশিংগসু শম্নরিবনি। মশাগী মরমদগী পুৱারী অদুনা কাঙলূপ ফুরুপ অদুগী মতিং হেনগৎহনবদা নত্তনা চাথাঙ-শুথাং নাইনা পুথরক্লিবা মতমগী য়াওল অসিদা করম্বা থৌদাং লৌগদগে হায়বা অদু মতমসিগী মীরোলনা লেপচরিবনি। অরানবা পুৱারী অমনা কাঙলূপ ফুরুপ অমবু লৈখা তানা চিংথবতা নত্তনা মশাগী ওইবা ঈগী ঈচেল ফাওবা লেপখিগদৌরিবনি। পুৱারীদি অরানবা তৌবা অমদি অরানবা হায়বা য়াদে। মহাক্তি লেংদনা অদুম লৈগদবনি। অহোংবা মতমগী মতুং ইন্না অমুক চুম্না চৎপা নৎত্রগা ফৈনা চৎলুরবসু অমুক চুমশিল্লকপদি লৈবা য়াই। লানখিবা পুৱারীগী তাঙ্কক অমদা মীওই কাঙলূপ অদুগী ৱাখল মীৎয়েং অমদি থৌনা লোইনা মাঙখিবসু য়াই। মদুনা মমৈথংদা কাঙলূপ অদুগী মতিক ময়াই মমখিদুনা মালেমসিদগী পুংমুৎ মুৎখিবা য়াবগী অকিবসু লৈতবা নত্তে।

১৭০৯দা কংলৈপাক অসিদা থোকখিবা থৌদোক অমনা লমদমসিগী লাইনীং লিচত্তা শিংনরকখিবদা নত্তনা লমদম অসিগী মীয়ামগী ৱাখল্লোন পূম্বা মায়কৈ অমদা হুমদুনা পুরুই। মৈতৈগী অরিবা তুংলমচৎকী পোইরৈ তাক্লম্বা অমদি ঐখোয়গী পুন্সিরোলগী মায়কৈ তাক্তুনা লাইগুম্লবা অহল-লমনশিংনা থম্বীরম্বা লুর-লুরবা পুয়া কয়াবু কংলা উত্রা মমাঙদা ময়াং পন্দিট শান্তিদাস গোসাইনা লুচিংবা রমান্দি লাইনীং শন্দোকপা কাঙবু অমনা মতমদুগী নিংথৌ পামহৈবা/গরিবনিৱাজ (মমীংসি ফাওবা ময়াং পন্দিট অদুনা থোল্লম্বনি হায়নৈ, গরিব হায়বদি লায়রবা, নৱাজ হায়বনা খোঞ্জেল = লায়রবা অতোন-অতাগী খোঙজেল তাবিবা = গরিবনিৱাজ) দা চিরোল-খারোল তৌদুনা মৈতৈগী মরুওইবা পুয়াশিং শিংখল তরেৎ খন্দুনা মৈ থাখিবগী চাউরবা ৱাথোক অমা লৈরিবনি। হৌজিক্তি মদু মীপূম তিংনা খঙনরক্তুনা ইনৌ নৌনা মাঙখ্রবা মৈতৈগী লিংজেল, ৱাখল, থৌনা, লৌশিং, লিচৎ পূম্নমক হঞ্জিন্নবা কন্না হোৎনরিবনি। কুম অসিদগী হৌনা মাঙলুরবা চীং অমদি তমগী মরী পূম্বা নৌনা শমজিন্নবা হোৎনবদা চহী কয়া অসি ৱাদুনা লাক্লিবনি। মতমগী খোঙলোই তুংইন্না তপ্না তপ্না চীংমী তম্মী অনীগী অপূনবা শক্তম শাগৎনবা হোৎনবগী মায়কৈদা লাক্লিবা অসিদা অমুক ইনৌ নৌনা কংলৈপাক মণিপুর অসিগী হৌরকলোনগা মরী লৈনবা ৱাফমদা ফৈনা অমুক পুশিল্লকপা তারবদি করি ওইগনি। মতমদুগী নিংথৌগী ৱাহৈ অমনা অমদি ৱাখল্লোন অমনা লমদম অসি চহী কয়া ইরুপ্তুনা লৈরুরে। হৌজিক অমুক মতিক ময়াই চেনবশিংনা অতোপ্পা ৱাফম অমগা অমুক পূনশিন্দুনা অনৌবা ৱারী লিখুন অমগী ৱারী মচিন কাঙলক্লবদি অরুবা ফীভম অমা অমুক হন্না লাকপা য়ারিবনি। নিংথৌ অমগী হাক্তক্তা খৌরি ফাওবা পুথরুবদু নিংথৌ অমগী হাক্তক্তা লুতোন ফাও য়ৌনা পুথখিবা তারবদি করম্বা নিংথৌ অমা অমুক লাক্লগা মোঙফমদা মখোঙনা নেৎশিন্দুনা কাঙলূপ অমা লৈরম্মী হায়বা খঙগদৌরি? পূম্নমকশিং অসি থওইনা তৌগে হায়বা মতাগুম তৌরুবা নত্তে। পামহৈবা নিংথৌনা মতমদুদা মৈতৈ লাইনীং থাদোক্তুনা মৈতৈগী চৎনবী পূম্বা হোংদোক্লম্বা অদু মৈতৈ মাঙখিনবা খনখিবা ৱাখল অমগী পরিংদা তৌখিবদি ওইরম্লোই। চাওখৎপা পাম্লুবা অচৌবা ঈপাক্তা ইতিন্ননীংলুবগী খরা ফগদ্রা হায়না হায়খিবা ওইরম্বা য়াই, মরমদি লাইনীং লৌনীংদবা মখৈ অঙাং ওলহল্লু হায়বদু। কনাগুম্বা অমনা য়ানীংদবা উত্তুনা শিংনরুবদা ঐ নিংথৌনি ঐনা হায়বা ইনগদবনি, ঐনা হায়খ্রবদি লোইরে হায়না মহাক্কী ৱাখল অদু চুমফৈ (ইচম চম্না লানবা) খনবদগী শাথিরবা থৌরাং কয়াশিং অদু লৌখৎখিবা শোয়দনা ওইগনি।

অদুনা হৌজিকসু অদু মঙাই, ৱা হায়বা হায়বসি য়াম্না লুই। হায়গদবা হায়রোইদবা ৱা শোয়দনা লৈগনি। হায়বা য়াবা ৱা নত্তনা হায়বা য়াদবা ৱাদা পংহায় হায়রুরবদি শোয়দনা ফরক তারক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। স্কুলদা ওজানা পাড়া হংবদা মহৈরোয় অদুনা শেরান্ননা খুল্লবদা ফান মথক্তা মখোঙ নাম্মা থাঙ্গৎহল্লগা মনা পায়দুনা লেপহনখিবশিং অদু হৌজিকান্দি করম্বা মওং হোংদোকখ্রবগে হায়বদি খঙদ্রে। মদু পাড়া ফাদবগী ওজানা পীবা চৈরাকনি। মহৈরোয় ময়াম অদুগী মমাঙদা কয়াদা ইকায়খ্রবনো?

# অরেম্বদা মাঙলগদবা মৈশাবু ইলেক্ট্রিক্তা ওন্থোকপা

**এনর্জি** হায়বসি মওং অমদগী অমদা ওন্থোকপা য়াই। নুমিৎকী মঙাল ইলেক্ট্রিক্তা ওন্থোকপা, থাউ মৈ চাকহল্লগা থোরকপা মৈশানা গাড়ী চেলহনবা, ইলেক্ট্রিকপু মঙালদা ওন্থোকপা অসিনচিংবা পনবা য়াই। অদুবু লুরিবদি এনর্জিগী মওং অমদগী অমদা ওন্থোকপদা অরেম্বদা এনর্জি মাঙবসিনি। খুদম ওইনা, নুমিৎকী মঙাল পূম্নমক সোলর সেলনা ইলেক্ট্রিক্তা ওন্থোকপা ঙমদে। অসুম্না গাড়ী অমগী এঞ্জিন মনুংদা চাক্লিবা থাউনা পীথোরকপা মৈশা পূম্নমক গাড়ীদুবু চেলহনবদা শীজিন্নবা ঙমদে। মসি ঙম্বা তারবদি






**সাইন্সকী খোঙচৎ**
**কুঞ্জো নাওরেম**

গাড়ীদুনা থাউ চাবগী চাং য়াম্না হন্থগদৌরিবনি। অতোপ্পা অমরোমদা, রেফ্রিজরেটর, ফেন, টি ভি, মোবাইল, কম্প্যুটরনচিংবা শীজিন্নবদসু মৈশা পীথোরক্তুনা অরেম্বদা এনর্জি মাঙহল্লি। অসুম্না মাঙলিবা এনর্জিসিগী মতাংদা ঐখোয় নোংমতা পূক্নিং লুপশিন্না খল্লুদে। মসি ঐখোয়গী অশোনবা অমনি। অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না, ঐখোয়না শীজিন্নরিবা শীং, মৈতাল, পেট্রোল, দিজল, কেন্দল, এল পি জিনচিংবা ফ্যুলশিং লোয়ননা ইলেক্ট্রিক্না চাক থোংবা, গাড়ী থৌবা, টি ভি য়েংবা, ইন্টরনেট শম্বনচিংবা তৌরকপদা ফ্যুল নৎত্রগা ইলেক্ট্রিক্তুগী শরুক চাম্মগী মনুংদা ৬৫ রোমদি অরেম্বদা মৈশা ওইনা মাঙখি হায়না পানৈ। অদুবু নোংম-নোংমগী পুথোরক্লিবা অনৌবা পোৎশিংনা এনর্জিগী মওং অমদগী অমদা ওন্থোকপদা এনর্জি মাঙবগী চাং হন্থহল্লক্লি। মসি সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিনা পীবা অচৌবা খুদোল অমনি। হন্দক্তা বেঙ্গলুরুগী **জৱাহরলাল নেহরু সেন্তর ফোর এদভান্স সাইন্টিফিক রিছার্স (জে এন সী এ এস আর)** কী ডা: **কানিস্কা বিশ্বাস**না লুচিংবা থিজিনবগী লূপ অমনা গাড়ী, টি ভি, থর্মেল পৱার প্লান্ট অমদি ষ্টিল পৱার প্লান্টনচিংবদগী থাদোরকপা অরেম্বদা মাঙলগদবা মৈশাবু ইলেক্ট্রিক্তা ওন্থোকপা ঙম্মবা পোৎ অমা পুথোকখ্রে হায়না **এঙ্গেৱান্দতে কেমি**দা ফোঙদোকখ্রে।

বিস্বাস্কী থিজিন লূপ অসিনা সেন্টিগ্রেদ দিগ্রী ২৫-৪২৫ ফাওবগী চাংদা মৈশানা ফাওদুনা চেনবা ঙমদবা অদুবু ইলেক্ট্রিক করেন্টতি ফাওদুনা চেনবা ঙম্বা কম্পাউন্দ অমখক শীজিন্নরি। **সিলভর কোপ্পর তেলরাইদ** হায়না খঙনবা কম্পাউন্দসিনা মাঙখ্রগদৌবা মৈশাবু ইলেক্ট্রিক করেন্টদা ওন্থোকপদা শীজিন্নরি। কম্পাউন্দসি লুপা (শিলভর), কোরি অমসুং তেলেরিয়ম হায়রিবা ইলিমেন্ট অহুমসিনা শেম্বনি।

থর্মোইলেক্ট্রিসিটি হায়বসি ধাতুগী তরা (ৱায়ার) অনীখক মাং-তুং অনীমক্তা শমজিন্নরগা, শমজিন্নফম অমদা শাহল্লগা অতোপ্পা শমজিন্নফম অদুদনা ইংহনবা মতমদা, করেন্ট চেল্লকপগী থৌওংবু খঙনৈ। থৌওংসিগী মতেংনা ইলেক্ট্রিক পুথোকপা ঙম্বা খূৎলায়দুবু থর্মোইলেক্ট্রিক জেনরেটর কৌই। অসিগুম্বা জেনরেটরশিংসিগী মতেংনা গাড়ী, থর্মেল পৱার প্লান্ট, ষ্টিল পৱার প্লান্টশিংদা থাউ নৎত্রগা কয়লা মৈ চাকপদগী থাদোরকপা অরেম্বদা মাঙখ্রগদবা মৈশাবু ইলেক্ট্রিক্তা ওন্থোকপা য়াই। অসিগুম্বা কাঙলোন খরা পুথোক্লখ্রে। অদুবু হেন্না ইফিসিয়েন্সি ৱাংবা হায়বদি মৈশাগী শরুক য়াম্না ইলেক্ট্রিক্তা ওন্থোকপা ঙম্বা কাঙলোন পুথোকপা হায়বসি মথৌ তাবনা লমসিদা থিজিনবগী থবকসু লেপ্তুনা পায়খৎনরি। অসিগুম্বা কাঙলোন অমনি জে এন সী এ এস আরগী থিজিল্লোয়শিংনা পুথোরক্লিবা অসিসু।

মখোয়গী মৈশা ফাওদুনা চেনবা ঙমদবা অদুবু করেন্টতি চেনবা ঙম্বা কম্পাউন্দসিগী মিলিমিটর ৮ শাংবা মচৈ অমগী মচিন অমদা অরেম্বদা মাঙখ্রগদবা মৈশাদুদা য়ৈহল্লি, অদুগা অতোপ্পা মচিন্দুনা ঈংহল্লগা থম্মী। অসুম্না টেম্পেরেচর খেন্নবসিনা থর্মোইলেক্ট্রিক ইফেক্ট থোকহন্দুনা করেন্ট চেল্লকই। শিলভর কোপ্পর টেলরাইদসিদা মৈশা ফাওদুনা চেনবা ঙমদ্রিবসিগী মরমদি লুপাগী পোজিটিভ চার্জ পুবা আইওনশিংসি কম্পাউন্দসিগী ক্রাইষ্টেল লেট্রিস্তা চেৎনা ফাজিন্দে। অদুনা লেট্রিসসিদা ভাইব্রেসন তপ্না থোকপদগী মৈশা ফাওদুনা চেনবদা অপনবা পী। টেম্পেরেচর য়াম্না ৱাংলকপা মতমদা কোরিনা লুপাগা পুল্লগা মৈশা ফাওদুনা চেনবা ঙমহন্দে। মসিদা মৈশা ফাওদুনা চেনবা ঙম্বগী চাংসি য়াম্না নেম্মী। ডা: বিস্বাসনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না কম্পাউন্দসি ফাওদুনা মৈশা চেনবগী চাংসি ০.৩৫ ৱাট্ট পর মিটর পর কেলভিন্নি। মসি গ্লাসতা মৈশা ফাওদুনা চেনবগী চাংগা য়াম্না নক্লরে। লুপা অমসুং কোরিগী আইওনশিংনা মৈশা ফাওদুনা চেনবা ঙমহন্দ্রবসু, লুপাগী আইওনশিংনা হেন্না চাউবা থৌদাংদি লৌই হায়না থিজিনবসিদা শরুক য়াখিবা **সুভজিৎ রোয়চৌধুরি**না হায়রি। শাবগী চাংনা সেলসিয়স দিগ্রী ১৭০গী মথক য়ৌরকপদা য়াম্না ফীভম চেৎনা লৈরিবা টেলরিয়মগী সবলেট্রিস্তা লুপা অমসুং কোরিগী আইওনশিংনা মহী ওইবা পোৎনা চেনবগুম চেল্লকই। মসিনা মৈশা ফাওদুনা চেনবগী চাংসি গ্লাসকী মতৌগুম্না য়াম্না হন্থরকই। অদুবু ইলেক্ট্রিক করেন্ট ফাওদুনা চেনবগী চাংদদি অপনবা পীদবা থিজিল্লোয়শিংনা থেংনরম্মী।

মথক্তা পনখ্রিবা লুপা অমসুং কোরিগী আইওনশিংগা য়াম্না খেন্নবা মওংদা, টেলরিয়মগী নেগেটিভ চার্জ পুবা আইওনশিংদি লেট্রিস্তা য়াম্না কন্না ফাজিন্দুনা লৈরম্মী। অসুম্না ফাজিন্নবসিনা **হোল** (পোজিটিভ চার্জ পুবা করেন্ট চেনবদা মতেং পাংবা) শিংনা চেনবদা মতেং পাংই। অদুনা ধাতু অমগুম্না ইলেক্ট্রিক করেন্ট ফাওদুনা চেনবা ঙমহল্লি। মখোয়না পুথোক্লিবা অনৌবা পোৎসি মৈশা ফাওদুনা চেনবগী চাং য়াম্না নেম্বা গ্লাসকা করেন্ট ফজনা চেলহনবা ঙম্বা ধাতু অমগা পুল্লগা শেম্বা পোৎশক অমগা পাংখকনি হায়না ডা. বিস্বাসনা ফোঙদোক্লি।

শিলভর কোপ্পর টেলরাইদসি নত্তবা অতৈ পোৎ খরসু চাংয়েং তৌখ্রে। খুদম ওইনা শিলভর টেলরাইদ অমদি লেদ (মিশি) টেলরাইদ পনবা য়াই। অদুবু শিলভর টেলরাইদ হায়বসিদি থর্মোইলেক্ট্রিক ইফেক্ট ফজনা থোকহনবা ঙমদে। মরমদি মসিদা মৈশা ফাওদুনা চেনবগী চাং ৱাংই। লেদ টেলরাইদতি থর্মোইলেক্ট্রিক ইফেক্ট থোকহনবা ঙম্মী। অদুবু মিশি হায়বসিদি হু ওইবা পোৎনিনা অকোয়বগী ফীভমদা অকায়বা পী অদুবু শিলভর কোপ্পর টেলরাইদনদি অকোয়বগী ফীভমদা হেন্না শাফবা ওই। অসুম্না খূৎশেমগী পাম্বৈনা কোরি হাপ্তুনা শেম্লবা শিলভর কোপ্পর টেলরাইদ পুথোরকপা হায়বসি শিংথানীংঙাই ওইবা থবক অমনি।

জে এন সী এ এস আরগী থিজিল্লোয়শিংনা পুথোরক্লিবা কান্নদ্রবা মৈশাবু ইলেক্ট্রিক্তা ওন্থোকপা ঙম্বা পোৎশকসিনা মৈশাবু ইলেক্ট্রিক ওন্থোকপগী চাংসি চাদা তরামরিখক্তনি। লেদ টেলরাইদনদি চাদা ১৮গী চাং ওন্থোকপা ঙম্মী। অদুবু মিশিদি হু ওইবনিনা শিলভর কোপ্পর টেলরাইদতা হেন্না পূক্নিং লুপশিন্নীংঙাই ওই হায়রি। অদুগা মৈশাবু ইলেক্ট্রিক্তা ওন্থোকপগী চাংসি য়াম্না নেম্লিবনিনা মখা তানা থিজিনবগী মথৌসু তারি। মসিগীদমক মখোয়না তোঙান তোঙানবা পোজিটিভ অমসুং নেগেটিভ চার্জ পুবা আইওনশিং হাপচিন্দুনা য়েংখিগদৌরি।


সুভজিৎ রোয়চৌধুরি অমসুং দাঃ কনিস্কা বিশ্বাস (য়েৎ)